# হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী ৱিমেন হোক্কী টিম লুপাগী মেদল পুরগা হল্লকখি




**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম**

**অসুম্না** মথং মথং লেপ্তুনা চঙশিল্লকপনা ২০০৬ কী দোহা এসিয়ন গেমস য়ৌশিল্লকখি হায়রিবা চহী অদুদসু চাইনানা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা জপাননা রন্নর্স অপ তাখি। দোহা এসিয়ন গেমসতা, ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিম থর্দ পোজিসন লৌরকখি। সাউথ কোরিয়ানা মরিশুবদা লৈখি।

অমরোমদা, মণিপুরগী নুপী হোক্কী শান্নরোয়শিংসু ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিমদা অচৌবা মফম কন্দুনা ১৯৯২/৯৩ গী মতমদগী লাকখি। এসিয়া কপ, এফ্রো-এসিয়ন গেমস, কম্মনৱেল্থ গেমস, এসিয়ন গেমসতা মমিং লৈবা প্লেয়র ওইনা খঙনরকখি। মৈতৈ চনু দল্লিয়ু সুর্জলতানা ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিমগী কেপ্টেন ওইদুনা ২০০২ দগীনা ২০০৪ ফাওবা শান্নরম্বা মতমদসু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎলকখি।

খরদং নীংশিংজরবদা, ২০০২ গী কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপী হোক্কীগী কম্পিটিসনদা সুর্জলতানা ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্টেন ওইখি। মদুদা সনাগী মেদল লৌরকখি। মথং চহী ২০০৩ গী এফ্রো-এসিয়ন গেমসতসু গোল্ড মেদল ফংলকখি। লোয়ননা ২০০৪ গী এসিয়া কপ (ন্যু দিল্লি) তসু সনাগী মেদল লৌবা ঙমখি। মণিপুরগী নুপী হোক্কী শান্নরোয়-শিংগী মরক্তা মাইমোম চনু শঙ্গাই ইবেমহলসু ইন্দিয়ন ৱিমেন টিমগী মিদফিল্ডরগী শান্নরোয় ওইনা মমিং লৈখি। ১৯৯৮ দগী হৌরগা ইন্টর্নেসনল থাক্কী মেচ কয়াদা ফজ-ফজবা গোল কয়া চনবা ঙমখিবী শান্নরোয় ওইখি। ২০০১ দা তৌখিবা ৱিমেন হোক্কী ৱর্ল্ড কপ ক্কালিফায়িং মেচতা বেষ্ট য়ঙ প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী এৱার্দ ফংলকখি। ২০০২ গী বুশান এসিয়ন গেমসতসু শরুক য়ারকখি।

শঙ্গাই ইবেমহলগী মথংদা থোকচোম চনচনসু ২০১০ গী গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমস অমদি ২০১৪ গী ‘১৭ শুবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমস’ তা মথংশিৎনা ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিমদা য়াওদুনা শান্নরকখি। এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ারকখিবা মণিপুরগী নুপী হোক্কী শান্নরোয় অসি ঙসিদি পুন্না মঙা শুখ্রে।

কুমজা ২০০৬ কী দোহা এসিয়ন গেমসকী ফাইনেলদা চাইনানা জপানবু ১-০ দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি। ২০১০ দা গ্বাংজৌদা পাঙথোকখিবা ১৬ শুবা এসিয়ন গেমসকী ফাইনেলদা চাইনাগা সাউথ কোরিয়াগা শান্নখি। মদুদসু চাইনা ৱিন্নর ওইখি। রন্নর্স অপনা সাউথ কোরিয়ানা তারগা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবা পোজিসননা মথংশিৎনা জপান অমসুং ইন্দিয়ানা ওইখি।

কুমজা ২০১৪ দা তৌখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতদি হান্না ৱিন্নর তত্তনা লৌবা ঙল্লম্বা চাইনাগী টিম অমুক হাইথরক্তুনা সাউথ কোরিয়ানা ৱিন্নর ওইরগা চাইনানা রন্নর্স অপ অমুক লৌখি। অমরোমদা, ইন্দিয়াগী ৱিমেন হোক্কী টিমদি কুমজা ১৯৮২ দা ৱিন্নর অমুকখক লৌখিবা অদুদগী ঙসি ফাওবা লৌবা ঙমদ্রি। সিলভর, ব্রোঞ্জ, ৪ শুবা তাদুনতা লাক্লি।

হন্দকপু জপানগা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ২-১ দা মায়থীরগা সিলভর মেদল পুরগা হল্লকখি। অদুগা হৌজিক এসিয়াগী ওইনা নুপী হোক্কীদা থৱায় য়াওনা শান্নরিবা লৈবাকশিংদি - চাইনা, চাইনিজ টাইপৈ, হোং কোং, ইন্দিয়া, জপান, কজাখষ্টান, মলেসিয়া, সাউথ কোরিয়া, সিঙ্গাপোর, থাইলেন্দ, উজবেকিষ্টান অসিনচিংবনি।

অমরোমদা, হৌখিবা চহী খরদগী হৌরগা ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিমদা প্লেয়র অনী নৎত্রগা অমা ইতৎ তত্তনা য়াওবা ঙল্লম্বা মণিপুরগী নুপী হোক্কী শান্নরোয়শিং, হন্দক্কী এসিয়ন গেমস ২০১৮ (ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস) অসিদদি অমত্তা য়াওবা ঙমখিদে। নুপী অমদি নুপাগী হোক্কী প্লেয়র অমত্তা য়াওরকখিদবা অসিনা তাক্লিবদি, ষ্টেটসিদগী অফবা হোক্কী শান্নরোয় পুথোকপা ঙমদ্রে হায়বনি। মণিপুর মচাশিংগা থোইদোক্লা চান্নজবা গেম অসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙবা মতম ওইরে।

# শৈশকপা মিক জেগরনা ইন্দিয়া-ইংলেন্দ ফাইনেল টেষ্টতা শেলগী মতেং পীগদৌরি

*লন্দন, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী)ঃ মালেম শীনবা থুংনা মমিং খঙনরবা শৈশকপা মিক জেগরনা ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা থা অসিগী ৭ তগী শান্নগদবা মেচ ৫ গী টেষ্ট মেচ সেরিজকী অরোইবা মেচ অদুদা শেলগী মতেং পীগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।*

*মীয়াম্না ‘দি রোল্লিং ষ্টোন্স’ কী শৈশকপা ওইরিবা মিক জেগরনা ইংলেন্দগী ক্রিকেট টিমগী শান্নরোয় অমা ওইরিবা এলাষ্টিয়র কুক্না মহাক্কী অরোইবা করিয়রগী মেচ অদু মঙাশুবা টেষ্ট মেচ অসিদা ইন্দিয়াগা শান্নরগা লোইশিনগদৌরিবা অদুগা মরী লৈননা ৱিকেট ৫ লৌবা ঙম্বা বোলর অমসুং সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বা বেটসমেনদা পাউন্দ ষ্টর্লিং ২০,০০০ (ইন্দিয়াগী রুপী ১৮,৬২,৮০০) গী শেলগী মতেং পীগনি হায়না ফোঙদোরকখি।*

*নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নরকপা টেষ্ট মেচ মঙাগী সেরিজ অসিদা য়ূম্ব লৈবাক অদুনা মেচ ৩-১ দা মাঙজিল থাদুনা সেরিজ মাঙজৌননা লৌখ্রবনি। থা অসিগী ৭ তা শান্নগদৌরিবা অরোইবা টেষ্ট মেচ অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মায় পাক্লবা হোৎনবগী খুদোংচাবা অমদি লৈরি।*

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৮

১। মহাক ৱর্ল্ড রেকোর্দ অহুম্লক থুগাইখি, এসিয়ন গেমস অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা হান্নগী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অনীরক, এসিয়ন গেমস অনীরক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা, এসিয়ন রেকোর্দ চহী ২৫ হেন্না পায়খিবা এথলেট অদু কনানো?

২। অসাম ওলেম্পিক এসোসিএসনগী অহানবা প্রসিদেন্ট (ফাউন্দর প্রসিদেন্ট) অদু কনানো?

৩। মহাক ওলেম্পিক্কী থৌরম অহুমদা মকোক ওইখি। থৌরম অমদা অনীশুবা তাখি। মরৈবাক্তা হল্লক্লবা মতুংদা কম্পিটিসন য়াওবা চহী অনী থিংখি। নাজিগী কন্সেনত্রেসন কেম্পতা অনীশুবা লাঞ্জাওদা শিখি। মহাক জিউনি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক্না অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। মদুদা অনীশুবা তাখিবা লমজেল্লোয় অদুগা রেকোর্দ চপ মান্নখি। মথংগী ওলেম্পিক গেমসতসু অনীশুবা তাখিবা লমজেল্লোয় অদুগা রেকোর্দ চপমান্নবা লমথুংফম য়ৌখ্রবসু মহাক্না মকোক ওইখিবা লমজেল্লোয় অদু কনানো?

৫। ফুটবোল টিম অনীগী শান্নরোয়শিংগী পূন্না নমিন্নবা ফোটো অমা পীরিবা অসিদা টিম অমদি নামিবিয়ান লিজেন্দস (Namibian Legends) নি। অতোপ্পা টিম অসিগী মমিং পীয়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মুম্বাই সিটি ফুটবোল ক্লবনা অহানবা প্রী সীজনগী শেম শাবা ফুটবোল মেচ অমা মায় পাকপা ঙমখ্রে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা আই এস এল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টিম অমা ওইরিবা মুম্বাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা শেম শাবা টুর অমগী মনুং চন্না থাইলেন্দদা শান্নখিবা প্রী সীজনগী মেচ অমা পায় পাকখ্রে।



মুম্বাই সিটি এফ সীগী টিম অদুনা ঙসি থাইলেন্দদা শেম শাবা টুর অমা চৎখিবা অদুগী মনুং চন্না শান্নবা ফ্রেন্দলি মেচ অমদা মফম অদুগী ক্লব অমা ওইরিবা মেজো য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইবা ঙমখি।

থাইলেন্দগী সিয়াং মাই সিটিদা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেচ অদুদা মুম্বাই সিটি ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা থাইলেন্দগী ক্লব মেজো য়ুনাইটেদপু মেচ হৌবদগী খুদুম চনবা ঙমখি। শান্নবগী ২৫ শুবা মিনিটতা মুম্বাই সিটি ফুটবোল ক্লবকী টিমনা খ্বাইদগী নৌনা শরুক য়াখিবা মীরৈবাক্কী শান্নরোয় সেনেগালগী মোদো সোগোনা য়াম্না ফজবা মওংদা মেজো য়ুনাইটেদকী দিফেন্দরশিং অদুবু নাথৈদুনা থল্লগা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখিবনি।

অহানবা হাফ অদুদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা মুম্বাই সিটি এফ সীনা থাইলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেজো য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনিটতা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী মমাঙদা পোর্তুগলগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ব্রগাদগী টিম অসিদা নৌনা শরুক য়ারকখিবা রাফেল বাষ্টোসনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু ২-০ দা লৈখি। অনীশুবা হাফ অদুগী ৬৮ শুবা মিনিটতা থাইলেন্দগী মেজো য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অপিসিট দেকাননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মুম্বাই সিটি এফ সীগা লম্বা তৌনবা অদুদা পাঞ্জল ১ মখা তানা শোত্থদুনা লৈখি। শান্নবগী মখা তারকপা ৭৩ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল ২-১ দা থাইলেন্দগী ক্লব মেজো য়ুনাইটেদপু মাঙজিল থাদুনা লৈরবা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী অলান দিওরিনা মহাক্কী টিমমেট সঞ্জু প্রধাননা পীরকপা পাস অমদা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু মখোয়না ৩-১ দা থোইবা ঙমখি।

**মমি ৱারী**

## ‘থাংজ ৭৮৬’

থৱান








